ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯱꯸, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹꯹ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, ওক্টোবর ১৮, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১৯৯শুবা মশীং

## মীতোপ চঙশিল্লকপা

### ইন্টল্লিজেন্ট নেটৱর্ক শোনমনৱ্রা

ওক্টোবর ১৬, ২০২২গী নুংথিলদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মহাক্কী সেক্রেটরিএটতা পাউমীশিংগা উনখ্রে। চীফ মিনিষ্টরগা পাউমীশিংগা উনবসি ফৈ। লৈঙাক্না মীয়ামগা হকথেংননা উননবা থৌরম কয়া পাঙথোকই। থৌরমশিংদুগী মনুংদা 'মীয়ামগী নুমিৎ' অমসুং 'হিল লীদরস দে' হায়বা য়াওই। মসিগী মথক্তা 'গো টু ভিলেজ' অমদি 'গো টু হিলস' হায়বা থৌরমশিং য়াওই। হায়রিবা থৌরমশিং অসিগী মথক্তা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মীয়াম পূনবা/তিনবা অদুগা ওফিসলশিংনসু শরুক য়াবা থৌরমশিংসু পাঙথোকই। থৌরমশিংসিদা চীফ মিনিষ্টর য়াওবা য়াওরগদি পাউমীশিংগা হকথেংনহৌবগী তাঞ্জাদি ফংই। অদুবু থৌরম অমগী খুদোংচাবা লৌদুনা উনবনিনা মচেৎতা উনবা, লম্বী ৱাদৌনা তৌবনা নে-তানা সেগা মাইগা তৌনবগী খুদোংচাবদি ফংদে। মরম অসিনা পাউমীশিংগা চীফ মিনিষ্টরগা উনবগী থৌরমসি তঙাইফদনা থা অমদা অমুক অনীরক পাঙথোকপা চুমগনি খল্লি। অদুগা উনখিবা অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রিবদু তেল্লবা মতম নুমিৎ ৪/৫নিগী মনুংদা মণিপুরদা চঙলকপা অমসুং লৈবা য়াবগী মথৌ তাবা চে চাংশিং শুনা পায়দবা মীওই ৬১৩ ফাগৎলে হায়বনি। ৱাফমসি হোমগী থবকসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টরনা হায়রকপা ৱাফমনিনা শোয়দনা চুন্নমগনি। অদুবু ফাগৎপগী থবক্তা তেল্লবা নুমিৎ ৪/৫নিগী মনুংদা ফাগৎলে হায়বগী ৱানি, ফাগৎলক্লিবা মীওইশিংসিনা চঙশিল্লক্লম্বদি কুইরম্লগনি। থৌদোকসি থোরকপদগীদি মীয়াম্না মণিপুরদা ইন্নর লাইন পর্মিট (আই এল পি) চৎনহল্লু, চৎনহনগদবনি হায়দুনা শিবা-শোকপা ফাওবা য়াওনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংদুগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক হৌজিক্তদা ময়েক শেংনা খঙলক্লম্লগনি।

অদুবু অসিগুম্বা থৌদোকশিংসি মখা তানা মতুংদা অমুক হন্না থোরক্তনবা অকনবা, লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎ-লৌখৎনা থৌদোকসি করিদগী মতৌ করম্না থোকখ্রিবনো হায়বদুসু পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌদুনা য়েংথোকপা চুমগনি। মরমদি লৈবাকসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা লোগী ৱাংমদা মীতোপ-মীয়ানচাশিং চঙশিল্লকপগী থৌদোকশিং থোক্তুনা লাকই। মণিপুরগী ওইনা য়েংলবদি ষ্টেটসি লৈবাকসিগী অৱাং নোংপোক চিদাইদা খম থেংনা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অমনি। হকথেংননা শাইজিন লোন্নরিবা ম্যান্মার খক্তদগী নত্তনা নক্নবা মপান লৈবাকশিংদগী মীওই কয়া নারোন্দা চঙশিল্লকপা ঙম্বগী ওইথোকপা অমসুং খুদোংচাবা লৈরিবনি। মসিমক্না য়ামখ্রবা মীওই ৬১৩ থেংনবদগী ফাগৎলক্লিবনি। মসিদগী হেনবা খরসু শোয়দনা লৈরমখিবা য়ারি। মসিমক্না চীফ মিনিষ্টরনা য়ূমথোঙ খুদিংদা ইকোনোমিক সর্ভেগী মওংদা থিজিন-হুমজিনবগী থবক চথরগনি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকখ্রিবনি। মণিপুরদা মপান্দগী মীতোপ অমত্তা চঙলক্কনু অমসুং চঙহল্লগুমসি হায়বা নত্তে। চঙনীংবা লৈবাকশিংদগী মীওইশিং চঙজরকসনু। লৈবসু লৈজরসনু। তৌবতবু মণিপুরদা চৎনরিবা ফোরেন্নর্স এক্ট অমসুং আই এল পিগী প্রোভিজনশিং ঙাক্না চঙলকউ, ঙাক্না লৈয়ু হায়বগী ৱানি। অদুবু মতাংসিদা খ্বাইদগী মথৌ তারিবদি 'নিংথৌ মনা ফক্লাংদা থেৎলি' হায়বগী ফীভমদা চপ-চানা লৈহনবগী তঙাইফদবা লৈবদুনি। মতমগী মতুংইন্না তঙাইফদনা চঙবা সাইন্টিফিক ইক্বিপমেন্টশিংদি লৈরিক-লৈরাক থন্না লৈরে হায়বদি য়ারে। অদুবু মেন-পাৱর ৱাৎপগা, লৈজরিবা খরসিদসু ইন্টিগ্রিটি ঙাক্না মশাগী মথৌ পাঙথোকপ্রা হায়বগী ৱাহংদি হংনীংঙাই ওইরি। মশ্বাইদা হোমগী থবকসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টরগী 'ষ্ট্রিক ভিজিল/সুপরভিজন' অমা চঙলি হায়নীংই। খ্বাইদগী লুরিবনা ইন্টল্লিজেন্স নেটৱর্কতা এনগেজ তৌরিবশিংনা কখোকপগা লোয়ননা ইন্টিগ্রিটি লৈনা মথৌ পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়বসি থৌদোকশিংসিনা তাক্লবনি। ঙম্নবা হোৎনবা চুমগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫২

১) **"মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা খোমজিনবনো?

২) **"অমংবা নোংলক্কী নোংথাং"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **"নির্মলা"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৪) **"বরাক তুরেল তোর্ব্বান্দা"** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুর মপান লমগী অইবা অমগীনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **"বীর টেকেন্দ্রজিৎ সিংহ"** (১৯৭৩) কৌবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি।

লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# গোৱাগী কোলভা বীচতা পুন্সি মচেৎ অমা!

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৭২৩**

**জিতেন নামৈরাকপম**



"সনা লৈবাক মণিপুর, কোল্লোই নঙগী মণিপুর লাইজ নুংগী মনি নারক্কী লৈরাং" ওজা ঐগ্যা জয়েন্তকুমার শর্ম্মা। অসুম অসুম নীংশিংলক্লি। ঐগ্যা অদু য়াম্না চন্মী। ঐগ্যাগা ঐগা য়াম্না তোয়নদি উনবা ফংজখিদে। শুপ্পতগী ৪/৫ রক্তনি ঐগা উনখিবা। ওন্থোক্লা নুংশিখ্রে। খোঞ্জেল তপ্পী, য়াম্না চীং লেন্মী। ঐগ্যানা ইরম্বা মশীং থিঙমদ্রবা ঈশৈ অমদি অতোপ অতোপ্পা কয়া অমসু লৈরি। তেনখ্রবা কলম অসিদা ঐগ্যা জয়েন্তকুমারগী মরমদা ইরুবা মতমদা শুংচন চল্লরোই, পাথোক্লগনি। ঐগ্যাগুম্বা মীওই অমা মণিপুরদা পোক্লক্কনি থাজবা ঙমদ্রে। ঐগ্যাগী থৱায় মীরেলনা স্বৰ্গগী লৈকোল অদুদা ঈংনা চিক্লা পোত্থাবা ওইবীয়ু হায়না শ্রধাঞ্জল্লি কৎচরি।

মথং মথং লাকপনা অওনবা কয়াসু লাকখি। থিংবা ঙম্বা নত্তে। য়াম্না কোইথোক্লুবগী কান্নবা লৈতে খঞ্জে। মণিপুরগী অফাওবা শৈশকপা, শৈপানবা কয়া অমা লৈখ্রে। পূম্নমক অসি ওইখ্রসনু। তৌবতবু ঐখোয়না নহা ওইরিঙৈ মতমদদি ইম্ফাল ময়োল অসিদা হিন্দি ফিল্ম য়াম্না কাপ্পন্মী। মতমদুদা ওইখিবা শক্তম অঙকপনি। সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস হায়গদ্রা এস পি মীশ্রা হায়বা মাল্লি। ইম্ফাল টৌল্কীজ, প্রটাপ, ভিক্টোরি, ফ্রেন্দস, উষা সিনেমা হোল শো য়াম্না কাপ্পন্মী লাষ্ট শো, নুমিদাংদা কাপ্পা ফিল্ম য়েংলুরগা হল্লকপা মতমদা নুমিদাংগী পুং ১১ হেন্না তারম্বসু য়াওখি। করি ৱানোনে ফর্ষ্ট শো, সেকেন্দ শোদকদি টিকেট কক্লবা ইন্নবা মতমদা পুরা উজার মেলানি। ফিল্ম য়েংনবা টিকেট কক্লবা লাকপা মীওইতনা পাওনা বজার অসুক্কী মতিক মী চিনখ্রে। মতম অদুদা এস পি মীশ্রানা শগোল তোংলগা থৌজিল্লকখি। মীয়াম তিনবা অদু থুগায়বগী ৱানি। "মুকদ্দরকা সিকন্দর' হায়বা মাল্লি অমিটাব বচ্চননা কুম্বা ফিল্ম অদুগী টিকেট কক্লবা ইন্নবদু প্রটাপ সিনেমা হোলদা ওইরমগনি খঞ্জে। মীওই ২/২ শিখিবনি। মদুগী মতুংদা ঐনা দি এম কোলেজদা তম্লিঙৈ মতমদা নোর্থ এ ও সী (বি ও সী হায়রগা খঙনরম্বনি, বর্ম্মা ওইল কম্পেনি), অসাম ওইল কোর্পোরেসন কৌরে হৌজিক্তি। দি এম কোলেজদা তম্লিঙৈ মতমদা ক্লাসতি ইয়াও য়াওদনা দি এম কোলেজগী লম্পাক্কী হৈনৌ মখোঙদা হৈনৌ অমেৎপা খরা চা, কান্টিনগী আলু চোপ খরা চা, মদুসু পুন্সিগী মথেল অমনি। আশা, জিনা হোলদা ফিল্ম অনৌবা অমা হেক হোংলকপদা ঐখোয়গী মরুপশিং টিকেট কক্তুনা অনৌবা ফিল্ম য়েংগদৌরিবনি। কোলেজ লাইফ অদুদা হায়রিবা হোল অনীসিদা অমত্তা চিত্থদনা য়েংলকখি হায়বা য়াই।

অদুগা অমুক কমদৌবা ! লম্ফেলদা লৈবা সঙ্কর টৌল্কীজ, মিনি সঙ্করগী ৱা অমুক লাক্লে। লম্ফেল, ললাম্বুং মখোংদা ঐগীদি ইমান্নবা অদুক্কী মতিক য়াম্না লৈজে। অমুক য়েংলুই 'হম্বনে তুম্বনে এক দুজে কে লিয়ে"। কুমজা ১৯৮১-৮২ ওইরমগদ্রা খঞ্জে। হায়রিবা ফিল্ম অসি মমিং য়াম চৎখিবনি। ওন্থোক্লা ফজখিবা ফিল্ম ওইখিবু খঞ্জে। বোল্লিৱুদকী মমিং শেগায়না ফাওখিবা ফিল্ম অদু উরুবদা হিরো, হিরোইন কমল হাসন, রাটি এগ্নিহোত্রি অনীগী রোমান্টিক ওইবা ফিল্ম অদুদা সিনেগোৱর কয়া অসুক্কী মতিক পেন্নখিব্রা খঞ্জে। মতম অদুদা ঐনা খনখি। মসিগী ফিল্ম অসিবু কদায়দা নল্লিবনো, সমুদ্রগী ইথক ইপোম, সমুদ্রগী নাকচেক্তা লৈবা রোক ক্লিপ। খনখি অমুক্তদি চৎনীংখ্রেদা মফম অদুদা।

লাইবক ফবা হায়গদ্রা গোৱা, চাদা ৭০ গুম্বদি গোৱাদা নম্বা ফিল্ম ওইরম্মী। য়াম্না কুপ্পদি পঞ্জররোই 'এক দুজে কে লিয়ে' ফিল্ম য়েংলুরগা গোৱা য়ৌরুবগা চহী ২/৩গী খেন্নবদি লৈরম্বা য়াই। ঐখোয়গী টিম অদু গোৱা য়ৌবদা নুমিৎ ৭নি চঙখি। এরোপ্লেন্দা তোংলবুদি নোংমা ফানা চঙগদবা মতম নত্তে। অদুবু হৌরক্লে শোমদগী এম এস টি, এম এস আর টি সীগী হঙ্গামপাল মচুগা অঙাংবা শংবা বস, কালিমাই লাইরেম্বীগী নাক্তা লৈবা অদুদগী বস তোংখৎতুনা থৌগৎখি। অৱাং সেকমাই, কাংপোকপী, সেনাপতি, মাও, কোহিমা, দিমাপুর য়ৌরগা তোংবা ত্রেন অদুদি অঙকপনি। গুৱাহাটি য়ৌবদা মতম য়াম্না লৌখি। শমজিঞ্জরগে, গুৱাহাটি, অসাম, বেঙ্গল, বিহার, য়ু পি য়ৌবদা নুমিৎ ৩/৪ চঙথোকখ্রে। অদুগা থেংনরকখি 'এল্লাহাবাদকী ত্রিবেনি সঙ্গম" গঙ্গা যমুনা সরস্বতি তুরেল অহুমগী পুনফম। ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা জৱাহরলাল নেহরুগী পোকফমনি। অদুদগী মথং মথং লাল্লক্লে মধ্য প্রদেশ, মহারাষ্ট্র, কোলাপুরী হায়ব্রা খোলাপুরী হায়ব্রা চপ্পল, সেন্দল য়াম্না য়োনবা মফম অদুদগী লান্থোকখ্রগা য়ৌরুরে বোম্বে, মুম্বাই। বোম্বে-১৩ থারম্মী দদর। দদরনা ফি-রোল হোঙবদা মমিং চৎপা মফমনি। দদর থাদোক্লম্লবা মতুংদা বস তোংলগা অমুক লাকখি গোৱা তম্না। লম্বীদা থেংনখি মমিং য়াম্না চৎপা পুনা কৌরম্বদগী পুনে কৌবা মফম অদু। ইমাইপেন্মা থাজরুদে তম্পাকলম ওইরমগদ্রা খল্লুবনি গোৱা। চীংগী চীং ঙাক্তনি। ইম্ফালদগী জিরিবাম য়ৌবগুম্বনি থেক খোয়রবা চীংলোন কয়ানা ৱেষ্টর্ন ঘাটকী নিলগীরি হীল ওইরমগনি খল্লি। পূম্নমক লান্থোক্লগা তম্পাকলম য়ৌখি, মরগাউ। টুরিষ্টশিংগী লমকোয়ফম।

মরগাউগী গেষ্ট হাওসতা থুংলবা মতুংদদি নুমিৎ ৩/৪দু গোৱা নৈখায়রগা লাকখিব্রা খঞ্জে। কোলভা বীচ, বাস্কো দে গমা, দোনা পোলা "হম্বনে তুম্বনে এক দুজে কে লিয়ে" ফিল্ম নম্ফম কয়া য়েংলকখি। ওরিষাগী সমুদ্র খোংবান, বেঙ্গলগী বে ওফ বেঙ্গলগী সমুদ্রগী নামীবা নুংশিৎ নত্তবদা কোলভা বীচ গোৱাগী সমুদ্রগী ঈথক ঈপোমনা শাফু কন্না য়ৈবা, আরব সাগরগী নীল খোংবা মখোল, সমুদ্র মপান য়ৌদ্রিঙৈ মতমদা তাবা ফংখি। ফ্রোং ফ্রোং লাউবা লৈঙোই, য়ুবী পাম্বী, কোনা মচুগী টুপী অপাকপা, আনোক, অমুবা, অঙাংবা, হিগোক মখল মখল, সোফ্‌ট ড্রিঙ্ক, পেপসি, কোকা কোলা, ঙৌরোক ঙৌবা ঙৌবদগী ঙাংশিনবা ফোরেন নুপা-নুপী কয়া অমা ঈরোইবা য়াও, অপাকপা ছাটিনগী মখাদা পোত্থাবা য়াও কয়াদা নুংঙাইনা সমুদ্র মপান অদুদা লৈরম্লে। তাম্না য়েংলুবদা মীৎয়েংগী ৱাংমা লান্না ঈশিংগী ঈপোমদা লীরুং তেনগুম্বা অতিয়াগী অকোয়বগা শম্নখ্রে। উখি জহাজ মচা মচা, ফেরি, ষ্টিমর, লন্না লন্না ঈথক্তা তাউবগুম লেংবগুম অদুগা অমুক্কসু উরকখি ঐখোয় শ্বায়দা য়াম্না তাঙবা মেকরেল ফিশ ঈথক ঈপোম্না পুরক্তুনা লৈঙোই থক্তা হুন্দোক্লম্বা মখল মখলগী ঙা কয়া। খ্বাইদগী হেন্না ঙকখিবদি ফোরেন্নর নুপা খুদিংমক খুকউ য়ৌবা হাফপেন্ট শেৎলি। ফিভম মুর্ত্তি ফজখ্রবা নুপীশিংনা মফি য়াম্না লিক্লা লিক্লা শেৎলি। অমরোমদা গোৱা য়ুগী লৈবাকনি, বার, ৱাইন শোপ মরাং কায়না লৈহৌই। য়ু ঙাওবা মীওই অমত্তদি উরক্তে। মণিপুরনা কমদৌবা! ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৮৮

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

(৭) করিগীদমক নীংশিং থৌরমশিং পাঙথোক্লরিবনো?

খুন্নাইশিংদা নীংশিং থৌরমশিং পাঙথোক্লরিবসি শম্না হায়রবদা অনীংবা/অপাম্বা পান্দম অমগী মখাদনি। থোকখিবা/ওইহন্নীংলুবদুগী য়েংলগা পান্দম মান্নবা মান্নদবা কয়া অমা ওইবা য়াই। মরু ওইবা মরম অনীখক্তং ওইনা লৌখৎচগে। অফবা থবক/মরমগীদমক কনাগুম্বা খরনা হিংলিঙৈদা/মশা শিখ্রবসু তুংগী মফুরুপকীদমক অঙম্বা থাক্তা মথৱায় ফাওবা থাদোক্লা অকনবা/অচৌবা থৌদাং লৌখিবগীদমক নীংশিং থৌরম পাঙথোকপা মতিক চাই, পাঙথোকফম থোকই হায়গনি। খুদম, কুমজা ১৮১৯দা বর্ম্মাগী মমিং চৎলবা লাম্নী মকোক জেনরেল মহাবন্দুলানা লান্দারক্তুনা মণিপুরগী নিংথৌ মার্জিৎপু মায়থীবা পীরগা শিনফম তোঙান তোঙানবদা হৈশিংবশিং কয়া ফাদুনা পুখিবদা নত্তনা খুন্তাক লানশিবা থোকহন্দুনা অমুক হন্না হৌগৎপা ঙমহন্দনবা মওংদা কুমজা ১৮১৯দগীনা কুমজা ১৮২৬ ফাওবা য়াম্না থিনা ওৎ নৈবা থোকখি। মসিবু 'চহী তরেৎ খুন্তাকপা' হায়না খঙনরি। অদুবু হিরাচন্দ্র, গম্ভির সিংহ অমদি নরসিংহনা য়াম্না ৱানা হোৎনদুনা লৌশিং কয়া পুথোক্তুনা ইরমদম মণিপুরবু বর্ম্মাগী মখূত্তগী কল্লকখি। কুমজা ১৮৯১দা বৃটিশকা মণিপুরগা শোক্লখিবা লানগা মরী লৈননা লৌতুনরগা হাৎখিবা টিকেন্দ্রজিৎ, থাঙ্গাল জেনরেল অমদি অশেংবা লানফম খোংজোমদা মমিং ওইনা পন্দ্রবসু অথৌবা মরৈবাক নীংবশিং কয়ানা মায়থীরগনি খঙনা খঙনা মথৱায় থাদোকখিবা; কুমজা ১৮৯১ (অহানবা নুপী লান), কুমজা ১৯৩৯গী দিসেম্বর ১২গী নুমিদাং পুং ৬ তাবদা থোকখিবা অনীশুবা নুপী লান হায়রিবা লান অনীসিদা শিখিবা/থৱায়না পোন্থা পীখিবা ইমাশিং কয়াবু তুংদা হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা করিগীদমক হায়বসি খল্লগা অথৌবা অথৌবীশিংগী ফীদম্বু ইকায়খুম্নদুনা নীংশিং থৌরমশিং ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোক্লোইদবগী মরম লৈতে।

শমজিন্না হায়রবদা মমিং পনখিদ্রবা অথৌবা অথৌবীশিংনা তৌখিবশিংদুদি অহানবা ইরমদমসিগী অনীশুবদা ইফুরুপকী য়াইফনবগীদমক খল্লগা মথৱায় থাদোকখিবা/থাদোকপা পাম্মুখিদবা - মসিদগী হেন্না চাওবা নীংশিংনীংঙাই ওইবা থৌরম্বু কয়াম লৈরিবগে। মসিনসু মদোমদে। কুমজা ১৯৬৫গী ওগষ্ট ২৭কী চাক্লাম খোঙচৎ; ২০০১গী জুন ১৮গী অপ রাইজিং অমসুং য়ুনিটি দে; পেবম চিত্তরঞ্জননা মশা মতোমতা মৈ থাদুনা শিজখিবা, সাপম রোবিনহুদনা ইন্নর লাইন পর্মিট (মীতোপ তানবগা) মরী লৈননা শিখিবা থৌদোকশিংবুসু করিগী নীংশিংলোইদৌরিবনো।

মসিগী ওন্ন-তৈনবদা ইরমদমসিগী য়েলহৌঙৈদগী লৈরকপা লাইনীং লাইশোন, নাৎ/কলচর, চৎনবীনচিংবা কয়াবু নমথনবা, য়ারবদি পুম্মাং মাঙহন্নবগী থৌওং ওইনা মীরম মচাগী মৱা লৌবদা ঈনাৎকী লাইশিংগী খুভম অমদি শকপাল থুগাইদুনা মাঙহনবা, শাগৈ ইয়েকচাশিংগী লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈননা ঈরাৎ ঈশোন তৌবদা শীজিন্নবা য়েক (সলাই) বু মরী মখোঙ শম্নদবা গোত্রদা ওন্থোক্তুনা চারৌ মৌরৌনবদা মথোং মরম খঙহন্দবা, অরুবা হৌরক্লোনগী ৱারী ৱাখোঙ, চৎন-লোনচৎ, লাইফম-তিনফম, তৌগদবা থৌনি থৌরমনচিংবগী মরমদা ইবা অরিবা লাইরিকশিং - পুয়াবু মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখিবা ঙম্বা পামহৈবা নিংথৌবু - মশাগী মথৌনা মরিংজেল, লৈঙাক্লোন, লাল্লোং শিনবা হৈবা, ইরমদমগী ঙমখৈ পাক চাওনা শন্দোকপা ঙমখিবগী মতিক ময়াইবু 'চেঙ চগ্রিং অমনা চেঙ চেঙকোক অমবু মাংথোক্তুনা মাংহল্লি" হায়বদু ওইবনা মৈদিংঙুসিবু নীংশিংবদি পুয়া মৈ থাবগী থৌরম পাঙথোকপদা থিনা থিনা চৈবসিনা ওইরিবসিনি। মশাগী মংফমসু মীরৈবাক্তা ওইখিবনি।

মবুধৌগা চপ মান্নবা মওংদা/খজিক্তং খেন্নবা মওংদা মমাঙদা মীরমগী লাই উরগা মীরমগী লাইনীং লাইশোন- ঈনাৎকী পোৎশক্তা মীরমগী পোৎশক্তা পুমতোৎ তোৎ/তোৎশিন য়ানশিন্নদুনা অনৌবা মীরম লাইনীং পুশিল্লক্লগা ইরমদমসিগী নিংথৌ অমুক ওইরবদা মীরম লাইনীং পামজবশিংনদি "... ভৈগ্যচন্দ্রনা অমুক হন্না শেমগৎতুনা অনৌবা অমসুং অরিবা চৎনরোলশিং অমুক চৎনহন্দুনা, মাঙ তাকহনখ্রবা লাইশঙশিং, উমংলাই কয়া অমুক হন্না শেমগৎতুনা হৌজিক ফাওবদা চৎনরিবশিং অসি শেমগৎতুনা থমলম্মী। ভৈগ্যচন্দ্রদি লাইনীং পরিং খুদিংমক ইকায়খুম্নদুনা, মহাক্কী প্রজাশিংনা পামজবা লাইনীং পরৈ পাঙথোকপদা অথিংবা থল্লমদে। মতৌ অসুম্না য়াম্না ঈংনা অনৌবা মণিপুরসি শেমগৎলম্বা ইনিংথৌনি"। (মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা রাজর্ষি ভৈগ্যচন্দ্র- চেমায় ৯গী অরোইবা মকক)।

মথক্কী ৱাফমসিগা মরী লৈননা নৈনবা য়াবদি চপ মান্নবা ফুরুপ্তা মশাগী হৌরক্লোন্দগী লৈরকই মশা খঙলবা নিংথৌ ওইবা মশানা মশাগী অপাম্বগী মতুংইন্না শেমজবা মীরম লাইনীং অমমুক পুশিল্লক্লগা ইরমদমসিদা লাইনীং লিচৎ অনী শুহন্নবা হোৎনবগীদমক্লা - মহাক্কী প্রজাশিংনা লাইনীং পরৈ পাঙথোকপদা অথিংবা থল্লমদে হায়রিবসি। মশু মাগী মতমদি লায়রদনা মবুধৌগী মতমদগী ঈনাৎ লাইনীং লিচৎ ঙাক্তুনা লাক্লবনি। মীরম লাইনীং লাইশোন অমদি লীচৎ পাম্নদবদগী ঈনাৎলোয় কয়ানা মমাঙথক্তা মাঙহল্লুরবা/শিহল্লুরবা/শিহন্নবা থৌরাং কয়া লেপ্তুনা পায়খৎ পায়খৎনা নমহৎপা য়াদদনা/ঙমদদনা ইনাৎ লাইনীং লিচৎ পাম্নরকইবসিনি। হিঙ্গৎলক্লিবসিনি।

মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা লৈখিদবগী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লিবমখৈ খঙলমদবা ইফুরুপচাশিং, হৌগৎলকইবা ইশু-ইশু শুরোলশিং নোংমা নোংমগী মখাগী মৈতৈগী কুম্মৈদা হিন্দুগী কুম্মৈ ওইশিনখিবা/শিনজিনখিবগী লংলা লংজিন খঙবা হেল্লকপা মতমদা হিন্দু লাইনীং লাইশোন মাঙখ্রগনি।

সনামহী লাইকন কৌবা অরিবা লাইরিক্কী চেমায় ৬৩-৬৪দা অসুম্না ইরি :-

১) হিয়াঙ্গৈ থাগী কুম্মৈ মহুৎ শিনবদি জল যাত্রা ৱাকয়ৈ হিতোংবা তাউজিং হৈক্রু পরেং লিকপু শিনা তোং চেঙ হিওন চৎপদা কুম্মৈ মহুৎ শিন্না নুংঙাইনৈয়ে।

২) লোইদাম ৱাকচিং থাগী অয়াঙ য়োইরেন য়িরুপ্পদি লমলেন লিলোং শাহৌপাত্তা ইরাৎ পোৎলোই য়াওনা স্নান ইরু শান্দেংয়ে।

৩) লোইদাম ফাইরেন থাগী ৱায়বা তেনকাপ মহুৎ শিনবদি চীংঙু রামজী মপুরেন্নচিংবা খোইয়ম লাই পূম্নমবু সনা কৈথেল্লেন্দা কীর্ত্তন মনিয়াইনা য়াকা পাউদোইনৈয়ে।

৪) লোইদাম লমতা থাগীদি পোইরৈ অপকমানা লোইপান কুম্মৈ শান্নৈয়ে।

৫) লোইদাম শজিফু থাগী কোংবা লমথোং ফাৎপদি বিষুব সংক্রান্তিনা লেংশিননৈয়ে।

৬) লোইদাম ইঙেল থাগী অহোং খোংচিং মহুৎ শিনবদি রথ যাত্রা কাংচিংয়ে।

৭) লোইদাম লাংবন থাদা খল্লাং পাপনলোন অকেম্বা ইরেং পুপানলোন অমনবশিংগী লুকলৈনা পূন্না শেম্না, তরা চাক্লুক কৎপগী মহুৎ লায়না শিবদি পিতৃলুক ইরাৎ থৌনি শিন্নৈয়ে।

৮) লোইদাম মেরা থাদা পোনবী ৱাকমবোং চীংনুং নোঙ্গৌবীনা লোইদাম কুমশা থৌদি দশানন ক্বাক তানয়ে।

৯) অমুকসু, চীংঙু মায়চৌ লৌরেম্বা খোংনাংথাবা হায়বা লাইরিকসিগী চেমায় ১০৫গী অহানবা লোইরমদাইদা অসুম্না য়াওরি - "লৈবাক অসিদা লৈরিবা চীং, পাৎ, তুরেলশিং অমসুং লাইয়িংথৌ লাইরেম্মা কয়াবু হিন্দু লাইনীংগী ওইবা সংস্কৃট/হিন্দি/বঙ্গালি লোনগী মমিং মিংথোন পীশিল্লম্মী। অসুম্না, শেল্লোই লংমাই চীংবু নীলকন্থ গিরি, চীঙ্গোই তুরেলবু বারুনী নদি, নোংপোক নিংথৌবু শিব মহাদেব অমসুং পান্থোইবীদা দুর্গা দেবীগা মান্নহল্লকখি। অসিগুম্বা থৌশিল থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা 'চীঙ্গোই ইরুপ অমসুং নোংপোক নিংথৌ খুরুম্ববু ইনিংথৌ চন্দ্রকীর্ত্তিগী সনা হাক্তক্তা (১৮৫০-৮৬) "বারুনী কাবা শিব মহাদেব খুরুম্বা' ওইনা মতমগী খোঙলৈনা পুরকখি।" ●